## বোরিস জোন্সন্না বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরে

লন্দন, জুলাই ২৪: ব্রেক্সিট কেম্প্যেনগী লুচিংবা বোরিস জোন্সন্না ঙসি টেরেসা মেগী মহুৎ শীন্দুনা বৃটেনগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থবক পায়বা হৌখিবগা লোয়নন্না মহাক্না বৃটেনবু ওক্তোবর ফাওবগী মনুংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন শোয়দনা থাদোকহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মহাক ঙরাং কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি।

## রসিয়ন ফিসিং ভেসেল ফাজিনখ্রে

সিওল, জুলাই ২৪(এজেন্সি):

এন্ট্রি রেগ্যুলেসনশিং থুগায়বগী মরালদা নোর্থ কোরিয়ানা রসিয়াগী ঙা ফাবদা শীজিন্নবা ভেসেল অমা ক্রুগা লোয়ননা ফাজিনখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা প্যোংয়াংদা লৈবা রসিয়ন এম্বেসিনা ফোঙদোকখ্রে।

ভেসেল অদু জুলাই ১৭তা ফাখিবনি অমসুং রসিয়ন ১৫ অমদি সাউথ কোরিয়ন ২ ওইবা ক্রু মেম্বরশিং অদু ৱোনশান সিটিদা লৈবা হোটেল অমদা ফাজিন্দুনা থম্লি হায়বা এম্বেসিনা মখা তাখি।

# টাইৱান্না নীংখা তম্নবা হোৎনরক্লবদি লান তৌগনি হায়না চাইনানা চেকশিন-ৱা হায়খ্রে



বৈজিং, জুলাই ২৪ (এজেন্সি):

করিগুম্বা টাইৱান্না নীংখা তম্নবগী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লক্লবদি চাইনানা লান তৌনবা শেম শারে হায়না চাইনিজ দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চেকশিন-ৱা হায়খিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু মালেমগী তং তাবা ফিভম থুগায়নবা হোৎনৈ অমদি মশানা লৈঙাকচবা ইথৎ অদুদা খুৎলায় য়োনশিল্লি হায়না মরাল শীখ্রে।

টাইৱান্না হায়জবদগী টেঙ্ক অমসুং ষ্টিংগর মিসাইলশিং য়াওনা দোলর বিলিয়ন ২.২ রোম ওইগদবা খুৎলায়শিং য়োনবগী থৌরাং অমা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা এপ্রুভ তৌরে হায়না পেন্টাগোন্না থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ফোঙদোকখ্রবনি। মদুগী পাউখুম ওইনা চাইনানা খুৎলায় য়োনবগী দিলশিং অদুদা চেন্নবা য়ু এসকী ফার্মশিংগী মথক্তা অথিংবা কয়া থম্লগনি হায়না লাউথোকখি।

দিফেন্স হ্বাইট পেপর অমগী মতাংদা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা চাইনিজ দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱু কিয়ান্না হায়খি মদুদি, চাইনানা মরা তপ্পা মওংদা টাইৱানগা অমুক হন্না পুনশিন্ননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। অদুমওইনমক টাইৱান্না নীং তম্নবগী মায়কৈদা কন্না খোঙ থাংজিল্লকপা তারবদি মদু অরোইবা খোঙফম ওইগনি হায়না ঐখোয়গী মায়কৈদগী চেকশিন্না থম্বা পাম্মী। টাইৱানবু চাইনাদগী নীং তম্না তোখায়না লৈনবা হোৎনরকপা লৈরবদি চাইনাগী মিলিটরিনা নেসনল সোভরেন্টি, য়ুনিটি অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লনবা লান তৌননবা শেম শাদুনা লৈগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চাইনানা লম হেনবা প্রোভিন্স অমনি হায়না খন্নরিবা টাইৱানগী মরু ওইবা খুৎলায় সপ্লায়র য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ওইরিবনি। ইথৎ অদুবু লাকশিনবগী মতাংদা বৈজিংনা মমাংথক্তগী হৌনা ফোর্স শীজিন্নবগী ৱাফম তোয়না পন্দুনা লাক্লিবনি। দেম্মোক্রেটিক টাইৱানগা ফোর্মেল মরী লৈন্দ্রবসু হান্না য়ানখিবা লো অমগী মখাদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইথৎ অসিদা মশা ঙাকথোকচনবগী হীরমদা মতেং পাংদুনা লাখি। য়ু এসনা দিফেন্সকী লমদা লৈবাকশিংগী মরক্তা হিদান্নবগী ফিভম অমা লাকহল্লে হায়না চাইনিজ দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

# চাইনাদা চীং নীংখায়বদা মীওই ১২ শিরে



বৈজিং, জুলাই ২৪ (এজেন্সি):

চাইনাগী গুইঝৌ প্রোভিন্সতা মফম অনীদা চীং নীংখায়দুনা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিরে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর সী সী টি ভিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অহিংদা গুইঝৌ প্রোভিন্সকী সুইচেং কাউন্টিদা থোকখিবা চীং নীংখায়বগী থৌদোক অমদা য়ুম ২১ ফুমজিনখিবগা লোয়ননা মীওই ১১ শিখ্রে। মীওই ১১ কনবা ঙমখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা মীওই ৩৪ সু থিবা খঙদা লৈরি। চীং নীংখায়রকখিবা মতমদুদা মফম অদুদা মীওই ৫০ হেন্না লৈখি হায়রি।

সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ওথোরিটিশিং পল্লদুনা হায়খি মদুদি, য়ুমশকৈশাগী অয়ুক পুং ১১ রোম ফাওবদা মফম অদুদা অশিবা হকচাং ১১ ফংখি অদুগা অতোপ্পা ১১ অমনা রেস্ক্যু তৌবগা লোয়ননা মী কনবগী থবক মখা তানা চথুরি।

ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা লোকেল গভর্নমেন্টশিংনা হোৎনরিবশিংদা মতেং পাংনবা রেস্ক্যু টিম অমা মফম অদুদা থাজিনখ্রে। থৌদোক অদুদা মী শিবগী চাং য়ারিমখৈ হন্থহন্নবগী পান্দমদা হৌজিক প্রোফেসনেল রেস্ক্যুৱর ৫৬০না মফম অদুদা মী থিবা অমদি কনবগী থবক কন্না চথুরি। অহেনবা অসিগুম্বা দিজাষ্টরশিং থোক্লকপা থিংনবা মরী লৈনবা গভর্নমেন্ট দিপার্টমেশিংনা কন্না মোনিটর তৌরি।

# বাংলাদেশকী ঈশিং ঈচাওদা শিখিবা মী মশিং ৬০ হেল্লে



ধাকা, জুলাই ২৪ (এজেন্সি):

চয়োল অনীরোম কুমগী নোং কন্না লেপ্তুনা চুখিবা মতুংদা বাংলাদেশতা শাথিরবা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬১ শিখ্রে অমসুং লৈবাক অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অমগী য়ুম লিশিং কয়া ঈশিংনা থুমজিনখিবগা লোয়ননা মীওই ৮০০,০০০ লোম ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রে হায়না গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এন্দ রিলিফ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না চহী অনীগী মনুংদা লৈবাক অদুদা থোক্লিবা খ্বাইদগী শাথিরবা ঈশিং ঈচাও অদুদা মীওই মিলিয়ন ৩ লোম্না অৱাবা মায়োক্লরি। মফম কয়াদা ঈশিংগী ঈমায় হন্থবা হৌখিবগা লোয়ননা মীওই মিলিয়ন ১৬০ হেন্না লৈরিবা লৈবাক অদুদা লৌনগনবা লায়না কয়া শন্দোরকপা য়াই হায়না ওথোরিটিশিংনা মীপাইবা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা ঈশিংগী ঈমায় হন্থরকখিবগা লোয়ননা ঈশিংদগী শন্দোক্কনবা লায়না কয়াগী লাইচৎশিং শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এন্দ রিলিফ মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরি শাহ কমালনা কেপিটেল ধকাদগী কিলোমিটর ১৩০ লাপ্পা লৈবা ঈচাওনা শোকহল্লবা শিরাজ গঞ্জ দিষ্ট্রিক্টতকী ফোনগী খুথাংদা রোইটরর্সতা ফোঙদোকখি।

ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট মরু ওইবা গভর্নমেন্টকী থৌরাং ওইনা পায়খৎলে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নোরদর্ন বোগ্রা দিষ্ট্রিক্টতা য়ামদ্রবদা পেসেন্ট ২২ দাইরিয়া অমদি অতৈ লায়নাশিংগী লাইওংশিংগা লোয়ননা হোস্পিটালদা এদমিট তৌরক্লে হায়না সর্জন গোসুল অঝাম্না ফোঙদাকখি। লৈবাক অদুগী অৱাং অমসুং অৱাং নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ রেদ ক্রোস অমসুং রেদ ক্রেসেন্ট সোসাইটিগী ভোলন্টিয়রশিংনা রিলিফ ওপরেসনশিংদা মতেং পাংলি হায়রি।

# সীজফায়র থুগায়বগীদমক ইন্দিয়ন দিপ্লোমেট কৌখৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুলাই ২৪ : হন্দক্তা কাশ্মির লমদমগী লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) পরিংদা মীচম অনী শিহনখিবা অমদি অতৈ ৪না অশোক-অপন নংহনখিবা সীজফায়র থুগায়দুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক খরগী মতাংদা পাকিষ্টান্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইন্দিয়ন দেপ্যুটি হায় কম্মিস্নর গাউরাভ অহলুৱালিয়া কৌখত্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে হায়না পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।



কাইহৌবগী থৌওং য়াওখিদনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সীজফায়র খোঙ্গাওনরকখিবগী থৌওং অদুবু ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী সাউথ এসিয়ন দেস্কতা লৈরিবা দিরেক্টর-জেনরেল মোহম্মদ ফাইসালনা কন্দেম তৌখি। নোংমৈ কাপশিল্লকখিবগী থৌদোকশিং অদুগী অকুপ্পশিং পল্লদুনা মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন অমনা হায়খি মদুদি, নিংথৌকাবা নুমিত্তা এল ও সীগী বাগসর সেক্তরদা মোহম্মদ রিয়াজ কৌবা মশাগী চহী ১২ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা শিখি অমদি ঝাবেয়ুলাহ কৌবা চহী ১৮ শুবা মীওই অমনা ফিভম থিনা শোকখি।

অনীশুবা থৌদোক অদুদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এল ও সীগী হোটসপ্রিং, জান্দ্রোট অমসুং বনচিরিএন সেক্তরশিংদা কাপশিল্লকখিবদা জান বিবি কৌবী নুপী অমা শিখি অদুগা মীচম অমনা অশোক-অপন নংখি।

লাইন ওফ কন্ট্রোল অমসুং ৱর্কিং বাওন্দরি পরিংদা দিপ্লোই তৌরিবা ইন্দিয়ন ফোর্সশিংনা অচৌবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা মীচম তাবা মফমশিংদা লেপ্তুনা টার্গেট তৌই। অসিগুম্বা সীজফায়র থুগায়বগী থৌওংশিং অসি কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়ন ফোর্সশিংনা সীজফায়র ১,৯৭০ রক থুগায়খিবা মতুংদসু লেপ্তুনা চত্থদুনা লাক্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি পাকিষ্টান অমসুং ইন্দিয়ানা কুমজা ২০০৩ দা এল ও সী অমসুং ৱর্কিং বাওন্দরি পরিংদা সীজফায়র থম্বগী ৱাফম য়ান্নখিবনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অসুম্না মীচমশিংদা টার্গেট তৌদুনা কাপশিল্লকপগী থৌওং অসি কন্দেম তৌই হায়না মখা তাখি।

# য়েমেন্দা সীজফায়র পুরকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ লৈরে



রিয়াদ/দুবাই, জুলাই ২৪ (এজেন্সি):

য়েমেন্দদা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটস (য়ু এ ঈ)না মিলিটরি খুৎলায় অমদি ট্রুপশিং মশিং হন্থহনবগী খোঙথাং অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা মদুদা গল্ফতা লৈরিবা য়ু এসকা মীচং ওইরিবা লৈবাকশিংগী মায় খুহল্লিবা লান অমা লোইশিন্নবা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না হোৎনরিবা থবকশিংদা মতেং পাংলগনি হায়না থাজনরি।

ইরানগা মীচং চুংশিন্নরিবা হৌথি লালহৌবশিংগা লান শোক্লরিবা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন অদুদা য়ু এ ঈসু য়াওরিবনি। দিপ্লোমেটিক সোর্স অনীনা ফোঙদোকখিবদা য়ু এন্না লুচিংদুনা শীন-লাংদুনা হিথাংফম সিটি হোদৈদা চৎনরকখিবা ট্রুস অমা মপুং ফাবা সীজফায়র অমা ওন্থোকপা য়ানবগী পান্দমদা নীংথমথা ফাওবগী মনুংদা ৱারী শান্নবা হৌরবা য়াই। মসিনা ইরান্না শৌগৎপা হৌথিশিং অমসুং কোলিসন্না শৌগৎপা য়েমেনি ফোর্সশিংগী মরক্তা মতম শাংনা শোক্লদুনা লাক্লিবা লান লোইশিন্নবগী পোলিটিকেল ফ্রেমৱর্ক অমা য়াথোক্লবগী পান্দমদা ৱারী শান্নবগী লম্বী অমা ফাৎলগনি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

দিপ্লোমেট অনীদুগা লোয়ননা য়েমেনগী ৱাথোক্কী মতাংদা ওইরক্লিবা ফিভমগী মরমদা নোলেজ লৈবা রিজনেল সোর্স অমগী মতুং ইন্না চহী মরি শুরক্লবা লান অদুদা মিলিটরিগী ওইবা পাম্বৈনা মায় পাকপা ঙম্লরোই হায়না য়ু এ ঈনা থাজে। নোংচুপ্পোমগী লৈবাকশিংনসু ৱাথোক অদুবু কুপ্না য়েংশিন্দুনা লৈবগা লোয়ননা য়ু এ ঈগী ৱাখল্লোন অসি রিয়াদগী মায়কৈদগীসু শৌগৎপগী খুদম-চাংদমশিং লৈরে।

অমরোমদা, ইরানগী মতাংদা গল্ফতা লান অমা থোরকপা য়াবগী অকিবা লেপ্তুনা হেনগৎলকপগী ফিভমদা য়েমেনগী লান্দা শরুক য়ারিবা য়ু এ ঈ অমদি সাউদি অরাবিয়ানচিংবা লৈবাকশিংনা য়েমেন্দা লৈরিবা মখোয়গী ফোর্সশিং লৌথোকপা পাম্নরি।

দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা য়েমেন্দা খুৎলায় পায়দুনা লান শোক্লরিবশিংগী মরক্তা খুৎলায় থাদোক্লরকপা য়াবগী ফিভম অমা লাকপা হৌরে। মায় পাকপসু ঙম্লরোইদবা লান অমগীদমক্তা য়ু এ ঈনা মখা তানা মীশি-মীনা নংবা অমদি চাদিং তৌবা পামদ্রে হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা সোর্স অমনা হায়খি।

য়েমেনগী লান অদু চহী কয়ামুক অমগা অমগা ঙম্নদনা লাক্লি। কোলিসন্না এয়র পৱার হেল্লবসু মীচম লিশিং কয়া শিহনখিবা এটেক কয়াগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী কোলিসনবু ক্রিটিসাইজ তৌরি। অমরোমদা, হৌথি কাঙবুশিংগী গোরিলা ফাইটরশিং অমসুং মখোয়গী ক্রোস-বোর্দর এটেকশিং সাউদি আরবিয়ানা হৌজিক ফাওবা মায় পাক্না থেংনবা ঙমদ্রি।

# রসিয়ন ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অমা ময়ুম মনাক্তগী ফাখ্রে

মোস্কো, জুলাই ২৪ (এজেন্সি):



রসিয়াগী ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অলেক্সি নভালনি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মোস্কোদা লৈবা ময়ুমদগী থোরকপদা পুলিসনা ফাগৎখ্রে হায়রি। ক্রেম্লিনগী থবক থৌরাং কয়াবু ক্রিটিসাইজ তৌদুনা লাকপা ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অসিবু রসিয়ন পুলিনা ফারিবদু নুমিৎ খরনিগী মনুংদা কেপিটেলদা মহাক্কী লিচিং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপোজিসনগী ওইবা প্রোটেষ্ট অমগী মাঙওইননি হায়রি।

ক্রেম্লিনগী ক্রিটিক অসিগী স্পোক্সপর্সন কিরা য়ারমিসনা ফোঙদোকখিবদা, চয়োল অসিগী অরোইবদা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা ওপোজিসন রেলি অমা পাঙথোক্লবা প্রোটেষ্টরশিংদা খঙহনখিবগীদমক্তা পুলিসনা নভালমিবু ফাজিনখিবনি। ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা অসুম্না রেলি পাঙথোকপা হায়বসি রসিয়ন লোগী মতুং ইন্না নুমিৎ ৩০ ফাওবা জেলদা থম্বা য়াবা ওফেন্স অমা ওইরিবনি।

ঐহাক্না শাজেল ওইনা অমদি ঐহাক্কী লোইনবীগী বার্থদেগী লৈ খরা লৈনবা য়ুমদগী থোক্লকপদা রাইওট পুলিস কাঙবু অমনা ঐহাকপু য়ুম মনাক্তগী ফাখি হায়না নভালনিনা ইন্সটাগ্রামদা থাগৎপা ভিদিও মেসেজ অমদা ফোঙদোকখি।

ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন অসি লাক্লিবা সেপ্তেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা রসিয়ন কেপিটেল মোস্কোগী লেজিসলেচর খনবগী মীখল অমদা ওপোজিসনগা মরী লৈনবা কেন্দিদেন্ট অয়াম্বা য়াওহন্দবগী মায়োক্তা থাংজ নুমিত্তা ওপোজিসনগী ওইবা রেলি অমা পাঙথোক্লবা কন্না শীন- লাংলিঙৈ চৈরক্তা পুলিসনা মহাকপু ফাখিবনি। মোনিটর অমনা ফোঙদোকখিবদা, ইলেক্সন ওফিসলশিংনা ওপোজিসন কেন্দিদেন্ট ওইগদৌরিবশিংবু মীখল অদুদা ক্বালিফাই ওইনবা ভোটরশিংগী সিগনেচর মতিক চানা খোম্বা ঙমদে হায়রদুনা অথিংবা থমখিবগী মায়োক্তা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্ট অমদা মীওই ২০,০০০ হেন্না শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ইলেক্সন ওফিসলশিংনা শীরিবা মরাল অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ওপোজিসন কেন্দিদেন্টশিংনা হায়রিবদি মখোয়বু মীখল অদুদা শরুক য়াবদা অথিংবা থল্লিবদুগী অশেংবা মরমদি প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী মীচংশিংনা লেজিসলেচর কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা মখোয়না শীংনবদগীনি। মীখল অদুদা মীরেপ ওইবদা অথিংবা থল্লিবশিং অদুগী মনুংদা নভালনিগী সপোর্টরশিংসু য়াওরিবনি। প্রোটেষ্ট অদুদা ৱা ঙাঙবদা নভালনিনা ইলেক্সন ওফিসলশিংদা মখোয়না অথিংবা থল্লিবা কেন্দিদেন্টশিং অদুবু রেজিষ্টর তৌবগী মতম চয়োল অমা ফাওবা পীবগা লোয়ননা মদু তৌদ্রবদি মোস্কোগী মনাক্তা অচৌবা প্রোটেটে অমা পাঙথোক্লবা মীয়ামদা তকশিনখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা সাউথকী চীঙ্গাক্কী তেংবাং লৌ য়াখিদ্রে



সিওল, জুলাই ২৪ (এজেন্সি):

লাক্লিবা ওগষ্টতা য়ু এস ফোর্সশিংগা লোয়ননা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিল কেন্সেল তৌদ্রিফাওবা নোর্থ কোরিয়ানা সাউথ কোরিয়াদগী চীঙ্গাক্কী মতেং লৌ হায়বা য়াখিদ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা সিওলদা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চীঙ্গাক্কী মতেংগী মতাংদা নোর্থ কোরিয়ানা লৌরিবা ৱারেপ অদু ৱর্ল্ড ফুদ প্রোগ্রাম (দব্লিয়ু এফ পি)গী রিপ্রজেন্টেটিভশিংগী ওইবা মীফম অমদা লাউথোকখিবনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুনিফিকেসনগী স্পোক্সপার্সন অমনা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

লৌউ-শিংউগী পোৎথোকশিংগী চাং কা হেন্না নেম্মনবদগী নোর্থ কোরিয়াদা চীঙ্গাক্কী পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংদবগী ফিভম অমা লিশাং শিৎনা লৈরক্লিবদু কোকহনবদা মতেং পাংনবগীদমক্তা লৈবাক অসিদা সাউথ কোরিয়ানা চহী অসিগী সেপ্তেম্বরদা দব্লিয়ু এফ পিগী মনুং চন্না চেঙ টন ৫০,০০০ থাননবা থৌরাং তৌখিবনি। নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী ওফিসল ওইনা ৱাফম অমত্তা খঙহল্লকপা লৈতবদগী হৌজিকসু সাউথ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী চীঙ্গাক্কী তেংবাংশিং লৌদবগী ৱারেপ অদু অচুম্বা-চুমদব্রা হায়বগী মতাংদা ভেরিফাই তৌনবা হোৎনরি হায়রি। সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এসনা চহী অসিগী ওগষ্টতা জোইন্ট দোং মেং মিলিটরি দ্রিল থৌরাং পাংথোক্লবা তৌরিবনি।

অমরোমদা, লৈবাক অনীনা লমদম অদুদা অসুম্না জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলশিং পাঙথোক্লিবদু নোর্থ কোরিয়াদা লান্দানবগী রিহর্সেল অমনি হায়না প্যোংয়াংনা থাজবগা লোয়ননা অসিগুম্বা দ্রিলগী মায়োক্তা হান্নদবগী প্রোটেষ্ট তৌদুনা লাক্লিবনি।

# রোহিঙ্গা মুস্লিমশিং হল্লক্নবগী শেম শাবগী থবক মতিক চাদ্রি

য়াঙ্গোন, জুলাই ২৪ (এজেন্সি):



য়ুমথংনবা বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিঙ্গা মুস্লিম রেফ্যুজি লিশিং চা কয়া হল্লকপা য়ানবা শেম শাবগী থবকশিং ম্যান্মার ওথোরিটিজনা মতিক চানা পায়খৎত্রে হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন থিঙ্ক-টেঙ্ক অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ম্যান্মারনা বাংলাদেশতা লৈরিবা রোহিঙ্গা মুস্লিম রেফ্যুজিশিং লৌশিনবা হৌনবা শেম শারে হায়না ফোঙদোকপা লৈরিঙৈদা ওষ্ট্রেলিয়ন থিঙ্ক-টেঙ্কনা ৱাফম অসি ফোঙদোরক্লিবনি। কুমজা ২০১৭ দা মিলিটরিনা মুস্লিম লালহৌবশিংগী মায়োক্তা চত্থখিবা অচৌবা কেম্প্যেন অমদা লৈবাক অদুগী নোংচুপ থংবদা লৈরিবা নোরদর্ন রখাইন ষ্টেটতগী রোহিঙ্গা ৭০০,০০০ হেন্না য়ুমথংনরিবা বাংলাদেশতা চেনখিবনি।

ম্যান্মারগী মিলিটরিনা চথখিবা কেম্প্যেন অদুদা কাঙলুপ অমবু তোরা তুনা লোইশিন্নবা হোৎনবগী মওংদা পাক্তক্না মী হাৎপা অমদি গেং রেপনচিংবা কয়া চত্থখি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হায়খ্রবনি। কেম্প্যেন অদুদা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিংগী ভিলেজ ৪,০০০ রোম মৈনা তুন্না থাখি হায়নসু য়ু এন্না ফোঙদোকখি।

ম্যান্মারগী ওথোরিটিশিংনা রেফ্যুজিশিংবু নৌনা খুন্দা-লৈতাহল্লগনি হায়না থাজবা পীখ্রবসু সেটলাইট ইমেজরিগী এনালাইসিসতা হান্নগী সেট্টলমেন্টশিং অদুদা শেম শাগৎপগী থবক পায়খত্তবা অমদি মফম খরদনা য়ুম-কৈশিং মাঙহন-তাকহনবগী থবকশিং মখা তানা চত্থবগী মওংশিং উবা ফংই হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন ষ্টেট্রেজিক পোলিসি ইন্সটিট্যুট (এম এস পি অই)না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রিপোর্ট অমদা পনখি।

সেটলাইট এনালাইসিসতা কুমজা ২০১৮ অমসুং কুমজা ২০১৯গী মতম ফাওবদা মফম কয়াদা য়ুম-কৈশিং মখা তানা থুগায়বগী থবক চথুরি হায়বসি খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মশিং য়াম্লবা রোহিঙ্গাশিংবু তেক্ত-কায়দনা হল্লকহন্দুনা খুন্দা-লৈতাহনবগী ৱাফম অসিদা চিংনবা পোকহল্লি হায়না এ এস পি আইগী ইন্টরনেসনল সাইবর পোলিসি সেন্টরদা রিছার্স তৌরিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নাথন রুজরনা হায়খি।

হীরম অসিগী মতাংদা কমেন্ট লৌনবা ফোন্দা তকশিনবদা ম্যান্মার গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেনশিংনা পাউখুম অমত্তা পীরখিদে হায়রি।